# চেঙ অমসুং পেট্রোল মমল হেন্না য়োনবা য়ারোই : কাকোৱা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচ এন এস): মণিপুরগী কৈথেল খুদিংমক্তা ইকনমিক ব্লোকেদকী খুদোংচাবা লৌশিন্দুনা চেঙ, পেট্রোল অমদি পোৎলম কয়াগী মমল তাংনা য়োল্লিবশিং অসি ফাগৎলগা মীয়ামদা য়েন্থোক্লগনি। লোয়ননা কংলৈপাক কম্মর্সিএল এফ্যেস এসোসিএসন (কাকোৱা)না অকনবা থবকসু লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কাকোৱাগী কনভিনর এল রতননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীওইবগী মীনুংশি লৈত্রবা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী)না চথুরকখিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনা কৈথেলদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংদবগী খম থেংনা ৱানরিঙৈগী তাল্লক অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা পোৎ খুদিংমক্কী মমল তাঞ্জা লৌদুনা তাংনা য়োন্নবা লল্লোনবশিংনা হোৎনরি। হায়রিবা ফীভম অসি কুপশেন শেন্নদুনা কাকোৱাগী থৌমীশিংনা নুংতিগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি অকোয়বদা লৈরিবা পোৎফমশিংদা চৎতুনা কুপশেন শেন্নদুনা অরানবা তৌবা লল্লোনবশিংবু মমল হেনগৎহন্দনবা হোৎনরি।

চৈরক অদুদা মমাঙদা পি দি এসকী চেঙগী মমল খঙৱাং ৱাংখৎনা য়োল্লম্বদগী কাকোৱাগী থৌমীশিংনা ফাগৎতুনা ৱাখল তামিন্নখ্রে অমদি মদুগী মহয় ওইনা চেঙ লল্লোনবশিংনা য়োনবা চেঙগী মমল অসি কেজি ৫০গী বেগতা শুপ্পগী লুপা ৭৫০ দগী ৮৫০ ফাওবদা য়োল্লুরবদি। অদুবু মতম খরা য়োল্লুরবা মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা নবেম্বর ১ দগী হৌখিবা ইকনমিক ব্লোকেদকী খুদোংচাবা লৌদুনা মমাঙদা ৱাখল তামিন্নখ্রবা চেঙ লল্লোনবশিংনসু করিসু নাচুংদনা অমুক মমল ৱাংনা লুপা ৯৫০ দগী লুপা ১,১৫০ ফাওবা হেনগৎতুনা অমুক য়োনবগী পাউ মীয়াম্না কাকোৱাদা পীরকপদগী কাকোৱাগী থৌমীশিংনা য়েংশিল্লুবদা চেঙগী মমল হায়নখিবা মমলদগী য়াম্না হেনগৎনা য়োনবা থেংনরে। মরম অসিনা কাকোৱাগী মায়কৈদগী চেঙ লল্লোল্লিবা মীওইশিংনা চেঙগী মমল অসি লুপা ৯০০গী মখাদা য়োনবা ঙমদ্রবদি য়োন্দনবা খঙহল্লক্লি। মসিদা থৌওইদদুনা চেঙ মমল ৱাংনা য়োল্লম্বা থেংনরবদি হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা অকনবা ফিরেপ লৌদুনা মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা থবক পায়খৎকনি হায়না কাকোৱাগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

মসিগী মথক্তা ব্লেক মার্কেটতা পেট্রোল য়োনবা ওইল পম্পশিংবু শৌগৎতুনা লম্বীগী নাক-য়েৎতা অহেনবা মমলদা পেট্রোল য়োল্লম্বা থেংনরবদি মদু পুম্নমক লেম্না থাদনা ফাগৎতুনা মাঙহনগনি হায়না খঙহল্লক্লি। মরম অসিনা ঙসিদগী হৌরগা মখা তানা লম্বীগী নাক-য়েৎতা পেট্রোল অমদি দিজল য়োনবদা কাকোৱানা অথিংবা থম্লে হায়না লাউথোরক্লি। করিগুম্বা চেঙ/পেট্রোল অমদি অতৈ পোৎলমশিং মমল কা হেন্না ৱাংনা য়োল্লম্বা থেংনরবদি কাকোৱাদা পাউ পীবীরক্তুনা পারা তম্বীবদা শরুক য়াবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

# মিসন ইন্দ্রধনুশকী ৪শুবা তাঙ্কক হৌদোকখ্রে

## য়ুটিলাইজদা চৎখ্রবা নর্সশিংনা হান্নগী সেন্তরদা মথৌ তৌনবা খঙহনখ্রে ঃ ডা. কে রাজো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ (ঐচ এন এস): তিঞ্জং কাইজংদবা মীরোল পুরক্লবা পান্দমদা সী সী পুর, তমেংলোং, উখ্রুল অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্তীতা চথুগদবা ৪ শুবা মিসন ইন্দ্রধনুশ ঙসিদগী ফেমিলি ৱেলফ্যের সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কাঙুজম রাজোনা দিপার্টমেন্ট অসিদা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ত মরিসিগী ওইনা চহী ০-২ ফাওবগী অঙাং ২৪৬৩ অমদি মীরোনবী নুপী ১১৩৩ দা টিকা থাদোক্লবা পান্দমদা ঙসিদগী হৌদোক্লিবা মিসন ইন্দ্রধনুশ মরিশুবা ফেজ অসিদা মীয়াম্না টিকা থাদোক-পীনবা দিরেক্টরনা আপিল তৌখি।

সেনিয়র প্রোজেক্ট ওফিসর য়ু এন দি পি সরত য়াদব, ষ্টেট নোদেল ওফিসর (ইম্মুনাইজেসন) ডা. টি ঐচ নন্দকিশ্বর, ফেবিলি ৱেলফ্যের সার্ভিসেসকী এদিসনেল দিরেক্টর এম দি সলাম উলানা শরুক য়াদুনা হৌদোকখিবা মিসন অদুগা মরী লৈননা হায়, পীল্লিবা অঙাংশিংদা দিপথেরিয়া, হুপিং কফ, টিটানস, পোলিও, টি বি য়াওনা মখল কয়াগী লায়নাশিং ঙাকথোক্লবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ত মরিসিদা পাক্তক্লনা টিকা থাবগী থবক ঙসিদগী হৌরে। মীরোনবী নুপীশিংনসু মশাগী অমদি পুক্নুংগী অঙাংগী য়াইফনবা মনাক নকপা পি ঐচ সী, পি ঐচ এস সী অমদি সী ঐচ সীশিংদা টিকা থাবিয়ু। লোয়ননা হান্না দিষ্ট্রিক্ত মরিসিদা পোষ্টিং তাখিবা এ এন এম নর্সশিংনা য়ুটিলাইজ ওইনা অতোপ্পা মফমশিংদা চৎখিবদু দিপার্টমেন্টনা য়ুটিলাইজ তৌবা য়ারোই হায়না ওর্দর থোকখিবনা মশা মশাগী পোষ্টিংশিংদা মথৌ তৌগদবনি। করিগুম্বা মতৌ তৌরমদবশিং এক্সন লৌখৎলগনি।

মহাক্না হায়, মিসন ইন্দ্রধনুশ হৌদোকপগী চিল্লবা তাঙ্কক অসিদা ইলেক্সনগা মরী লৈননা ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী শীজিন্নবা লৈরিবা জিপসি ফাজিনবগী থৌওং চথুরক্লিবসি তৌবিদনবা আপিলসু তৌরক্লি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এস এন ও (ইম্মুনাইজেসন) ডা. টি ঐচ নন্দকিশ্বরনা হায়খিবদা, অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মিসন ইন্দ্রধনুশশিং মায় পাক্না পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ঙসিদগী হৌদোক্লিবা মরিশুবা ফেজ অসিদা চাদা ৯০ গী মথক্তা মায় পাক্লবা থৌরাং তৌরি। মসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ত ৪ সিগী ওইড়া আশা মেম্বর ২০০৬, অঙ্গনৱাদি হেলপর, ৱার্কর অমদি এ এন এম নর্স ২০৬ শীজিন্নবা থৌরাং লোইরে। অদুবু এ এন এম নর্সশিং অসিগী মনুংদা য়ুটিলাইজেসন চৎখিবা কয়া য়াওবনা নর্স ৫৬ লোমগী অৱাৎপা লৈরি। ৱাৎলবসু অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদগী ৱাইদুনা শীজিন্নগদৌরি।

চথুরক্লিবা মিসন অসিদা লৈঙাক পায়রিবশিং, এন জি ও, ক্লব অমদি স্কুলগী মীওইশিংনা তেংবাঙ পীবিয়ু। লৈবাকসিগী ওইনা কুমজা ২০২০ ফাওবদা লৈবাকসিগী পীক্লিবা অঙাং পুম্নমক মপূং ফানা টিকা থাবদা মণিপুরগীসু য়াওবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

## এৱার্দীশিং ওক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচ এন এস): নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফালনা পীবা এৱার্দ অনী খাইদেম প্রমোদিনী মনা, ২০১৬ অমসুং তায়েঞ্জম জয়েন্ত পোইত্রি এৱার্দ, ২০১৬ য়েন্থোকপগী থৌরম থা অসিগী ৯গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা ইম্ফালগী দেব লিটরেচর সেন্টরদা পাঙথোক্লগনি।

খাইদেম প্রমোদিনীগী মনানা ৱারেপ কৌবা ৱারী মচাগী অইবী ঐচ বেনুবালা অমদি তায়েঞ্জম জয়েন্ত পোইটি এৱার্দনা মাঙখ্রবা সহরগী লোইখ্রবা ৱারী শৈরেংগী অইবা রতন থিয়ামদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা খুৎশিন্নগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর ২০১৫ ফংলবা প্রো. এলাংবম দিনমণি অমসুং সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ২০১৬ ফংলবা মোইরাংথেম রাজেনবুসু ওক্কনি হায়রি।

নুমিৎ অসিদা ৱাখল সাহিত্যগী চেফোঙগী অহানবা ইস্যু ফোঙগনি। থৌরম অসিদা প্রো. হুইরেম বেহারি, কনভিনর মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী অমদি এল উপেন্দ্র শর্ম্মা, প্রসিদেন্ট, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট ওইগনি হায়রি।

## মশা লোইশঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচ এন এস): নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (নিমপাল)গী প্রসিদেন্ট এল গ্যানেশ্বরি, লোইতাং শাদুমগী প্রসিদেন্ট লোংজম রেনু লৈমা অমসুং লোইতাং খুল্লেনগী মৈরা লূপকী প্রসিদেন্ট তোংব্রম বিনানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা লোইতাং শাদুম মৈরা পায়বী অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি হাওবিজম পাকপীগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা লোইতাং খুল্লেন মৈরা লূপ অমদি লোইতাং শাদুম মৈরা লূপ হায়রিবা লূপ অনী অসি নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপকী মশা লোইশঙ লোইরে হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়না সেক্রেটরি জেনরেল এস শান্তিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# নেসনল দী ৱর্মিং দে ফেব্রুৱারী ১০ দা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচ এন এস): ফেব্রুৱারী ১০ দা চহী অমদগী হৌরগা ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা নেসনল দী ৱর্মিং দেগা মরী লৈননা মশা-মউ ফাবা অঙাং ওইহন্নবগী পান্দমদা ৱার্ম ফ্রী চিলদ্রেন হেল্‌ঠি চিলদ্রেন হায়বা থিমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লল্লোংদা পাঙথোক্লগনি হায়না চীফ মেদিকেল ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টনা ফোঙদোকখ্রে।

পোরোম্পাৎতা লৈবা সী এম ওগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. কে ঐচ ইন্দ্রানা পাউমীশিংদা হায়খি, অঙাংশিংগী পূক্তা তিল লৈবা অসিনা অঙাংশিংগী শাহৌ থিন্থহল্লি। মরমদি পেরাসাইট ওইবনিনা অঙাংশিংদা য়াওরিবা ঈ চুপ্পী মদুনা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা লৈহনবা চঙই। নেসনল দী ৱর্মিং দে ফেব্রুৱারী ১০ অসিদা চহী ১ দগী হৌরগা চহী ১৯ ফাওবদা লৈরিবা অঙাংশিংগী তিল হাৎনবা গুলি অলবেনদাজেল অসি পীজগনি। হায়রিবা গুলি অসি থা ৬ চৎকনি। চহী ১ দগী ৫ ফাওবদা লৈরিবা অঙাংশিংনা সোসল ৱেলফ্যেরগী খুথাংদা অঙ্গনৱাদিশিংদা পীজগনি। চহী ৫গী মথক্তগী ১৯ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংনা স্কুল-স্কুলদা পীজগনি। স্কুলশিংদা হীদাক পীজবগী থৌদাং অসিনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওইগনি।

প্রাইভেট স্কুল ১৯৪ রোম লৈরি। স্কুলশিংগী মশীং প্রাইভেটতগী গভর্ণ-মেন্টনা য়াম্মী। অদুবু মহৈরোয়শিংদি প্রাইভেট স্কুলশিংনা য়াম্বা হেল্লি। মসিদা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেটকী স্কুল পূন্না ৪৩১ য়াওরি। পূন্না মহৈরোয় ১,১৯,৮৮৩ লৈরি। প্রাইভেট স্কুল ১৯৪ লৈবদা মহৈরোয় ৯২,৬০০, গভর্ণমেন্ট স্কুল অমসুং গভর্ণমেন্ট এইদেদ স্কুলগীনা মহৈরোয় ২৭,২৮৩ ওইরি। হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসিদা দী ৱর্মিংগী হীদাক পীজনবা পান্দম থল্লি। মসিদা নৎতনা অঙ্গনৱাদিদা লৈরিবা অঙাংশিংদগী চহীদি হেল্লবা স্কুলদদি তমদ্রবা অঙাংশিংগী ওইনা আশাশিংনা য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা মশীং খঙদোকপগী থবক লোইরে। মখোয়গী হীদাক পীজফমসু অঙ্গনৱাদিদা ওইগনি ইম্ফাল ইষ্টগী ওইনা পূন্না আশা ৪০৭ লৈরি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. ঐচ রিষিকেশ, দিষ্ট্রিক্ত প্রোগ্রাম মেনেজর ইম্ফাল ইষ্টনা হায়খি, পূন্না অঙাং লিশিং ২৭/২৮ হীদাক পীজবগী পান্দমদা হোৎনগনি। ৱাৎহৌবা হীদাক চাহৌদবা অঙাংশিং য়াওরবদি থা অসিগী ১৬ তা অমুক পীজগনি। থৌওং অসি অঙাংশিংবু তিল লৈতনা মশা-মউ ফনা লৈনবা হোৎনবনি।

থৌরম অদুদা ডা. টি ঐচ রাইকুমার, দিষ্ট্রিক্ত নোদেল ওফিসর আর কে এস কে প্রোগ্রমনা হায়খি, চহী ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং হীদাক পীজবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা খোঙজং অসি মোনিটর তৌগনি। মসিগীদমক শেম শাবা লোইরে। টিম অনী শেমদুনা প্রোগ্রাম অসি য়েংশিন্নবসু থৌরাং তৌরি। মীয়াম্নসু মতেং পাংবীদুনা অঙাংশিংবু মশা-মউ ফহন্নবা হীদাক পীনবা আপিল তৌখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. টি নিলাকান্ত, দিষ্ট্রিক্ত ফেমিলি ৱেলফ্যের ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টনা হায়খি, অঙ্গনৱাদি সেন্টর ১৪২৩ লৈরিবা অসিগী মহৈরোয় ৩৪৬১৪ লৈরিবনি। অঙাংশিংবু চিথদনা গুলি পীজনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

## স্কল্পচর একজিবিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচ এন এস): খোংমনদা লৈবা শর্ম্মা আর্টস এন্দ ক্রাফট হাউস (এস এ সী ঐচ) কমপ্লেক্সতা নুমিৎ ১২ নি চুপ্পা চথুরকপা নেসনল মেটেল কাষ্টিং কেম্প হৌনবী মতুংইন্না কেম্প মনুংদা পুথোকপা ব্রোঞ্চ স্কল্পচরশিংগী একজিবিসন অমা পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রে।

অহানবা ওইনা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ৭ তগী লাকপা আর্টিষ্ট ১০না শরুক য়াখিবা কেম্প অদুদা পুথোকখিবা আর্ট ৱার্কশিং অদুদি বিষাল কে বেঙ্গলুরুগী ট্রেন্দ ইজ ট্রেদিসন নাও, বি য়ুবরাজ চেন্নাইগী য়োর প্রজেন্স টু, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চন্দনরোইগী ওরা কাষ্ট কোরে, অসামগী সনসিলা গোগোইগী দ কোট, ছটিশগরগী ইন্দিরা পুরকায়াস্থা ঘোসকী ফেন্টাসি থ্রী, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সৌরব রোই চৌধুরিগী অন্টাইটল, মহারাষ্ট্রগী দিনু গাটাগী হেলো মণিপুর, অসামগী জয়ন্ত কুমার বারুৱাগী ত্বিষ্টেদ শূ, ইম্ফালগী সাইরেম সৈত্যজিৎকী য়ুবী লাকপী, ইম্ফালগী এম লেংঙকপা মীতৈগী পুঙ চোলোম টুনচিংবনি।

স্কল্পচরশিংগী একজিবিসন অদু কলচরেল য়ুনিভর্সিটি ওফ মণিপুরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. এন খাগেন্দ্রনা থা অসিগী ৭ তা হৌদোকখিবনি। হায়রিবা কেম্প অসি ললিট কালা একাদেমী রিজনেল সেন্টর কোলকাটা অমসুং শর্ম্মা আর্টস এন্দ ক্রাফট হাউস অনীনা পূনবনি হায়রি।

## মেম্বরশিপ রিন্যু তৌগদবনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচ এন এস): হায় কোর্টবার এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মেম্বরশিংনা মেম্বরশিপ রিন্যু তৌনবা খঙহল্লক্লি। লাক্লিবা মার্চ ২০ ফাওবগী মমাঙদা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুরগী ওফিসতা অহেনবা প্রমোটর লিষ্ট/অপদেটেদ মেম্বরশিং বার অসিগী ওইনা থবক পায়খৎপদা খুদোংচানবা রিন্যু তৌবীয়ু হায়রি। মেম্বরশিপ রিন্যু তৌহৌদবনা থোল্লকপা খুদোংচাদবশিংগী থৌদাং এসোসিএসন অসিনা পুবা ঙল্লোই অমসুং মেম্বরশিংনা পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ ২ সু হায়রিবা মতম অসিদা পুরক্লবা এন জি জোতিন্দ্র লুৱাং সেক্রেটরি হায় কোর্টবার এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## অনৌবা সেক্রেটরি জেনরেল খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচ এন এস): সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী হেদ ওফিসকী ইকজিক্যুটিব মীটিং অমা থা অসিগী ৫ দা সিকো ময়ায় লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে। মীটিং অসিদা সিকোগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্বা হিদাম অসিসনা মহাক্কী তঙাইফদবা ফীভম খরনা মরম ওইরগা ফম থাদোকপদা ইকজিক্যুটিব মেম্বরশিংনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মহুৎতা কোন্থৌজম ইবোচৌববু সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রে হায়রি।

# সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচ এন এস): সাইনিক স্কুল ইম্ফাল এলমনি এসোসিএসননা কর্নেল নিংঙোম্বম হেমচন্দ্র অমসুং কর্নেল ঙাংবম চীঙ্খ্রেঙানববু আর্মি হায়র কম্মান্দ কোর্সকী নোমিনেসন ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

সাইনিক স্কুল ইম্ফাল এলমনি এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঐচ নিরসাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৭১ দা লিংখৎখিবা সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা নহা ওইরিবা কেদেট কয়া শেমগৎলক্তুনা য়ুনিফোর্মদা লৈবা সার্ভিসশিংদা চঙহনবা ঙমখ্রে। কর্নেল হেমচন্দ্র অমসুং কর্নেল চীঙ্খ্রেঙানবা অনীনা চথুগদৌরিবা হায়র কম্মান্দ কোর্স অসি কর্নেলশিংবু থা ৯গী ট্রেনিং পীদুনা বৃগেদিয়র ওইহন্নবগীদমক্তনি। কর্নেল হেমচন্দ্র অমসুং কর্নেল চীঙ্খ্রেঙানবা অনীমক স্কুল অসিদগী হৌখিবনি। মখোয় অনীনা য়ুনিফোর্ম সার্ভিসতা হেন্না অৱাংবা পান্দম ফংলকপা অসিনা অনৌবা মীরোলদা পূক্নিং থৌগৎলগনি অমসুং স্কুল অসিদগী হৌখিবা মহৈরোয়শিংনা মসিগীদমক্তা চাউথোকচবা পোকই।

খোঙমন জোন ৫ তগী নোয়োনশখি অমসুং নিংঙোম্বম ইবোচৌগী মচানুপা কর্নেল হেমচন্দ্র কুমজা ১৯৮৬ তা সাইনিক স্কুল ইম্ফালদা জোইন্ট তৌরকখিবনি। এন আই টি হামিরপুরদগী বি ঈ লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়ন মিলিটরি একাদেমীদা চঙখি অমসুং ২৬৮ ইঞ্জিনিয়র ব্রিজ রিজিমেন্টতা কম্মিসন তৌখি।

কর্নেল চীঙ্খ্রেঙানবা কংলা শংগোমশঙদগী প্রিয়োশখি অমসুং ঙাংবম রোমানগী মচানুপানি। কুমজা ১৯৮৭ দা সাইনিক স্কুল ইম্ফালদা জোইন্ট তৌখি। মতুংদা ১৯৯৪গী জুনদা নেসনল দিফেন্স একাদেমী অমসুং ১৯৯৭গী জুনদা ইন্দিয়ন মিলিটরি একাদেমীদা জোইন্ট তৌখি। মতুংদা ১৯৯৮ তা ৯-গোর্খাসদা আর্মি ওফিসর ওইনা জোইন্ট তৌখি হায়রি।


B.C.C. Manipur

*Under the guidance of* BOSEM/COHSEM Estd. 1995

KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP

(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSES FOR CLASS IX, X & XII Sc.

CRASH COURSE FOR NERIST 2016

Our selected students for last year 2014-15 & 16



Class Timming: 7:00 am - 9:00 am (Morning)

4:30 pm - 7:30 pm (Evening)

*Please Contact:*

B.C.C. Manipur


(Elite Sr. Sec. Building)

Kakwa Asem Leikai, Burma

Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856310202

HL-B/3657/7/2-6/3


# CROSSWORD-2323




| ACROSS | | DOWN | |
|---|---|---|---|
| 7 | Clever (11) | 1 | Bicycle (4) |
| 8 | Gas used in balloons (6) | 2 | Walk with long steps (6) |
| 9 | Romantic song (6) | 3 | Spanish music (8) |
| 10 | Room divider (6) | 4 | Arm or leg (4) |
| 12 | Hit (6) | 5 | Underground room (6) |
| 13 | Make a dove-like sound (3) | 6 | Assailant (8) |
| 14 | Gambling establishment (6) | 11 | Padre (8) |
| 16 | Sparse (6) | 12 | Broad-brimmed Mexican hat (8) |
| 18 | Smart (6) | 15 | Turn upside down (6) |
| 20 | Cad (6) | 17 | Pay heed (6) |
| 22 | Lack of respect (11) | 19 | Wander (5) |
| | | 21 | Regular (4) |

Solution 2322



SOLUTION ON NEXT ISSUE


ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/ GRATITUDE



Ashok Kumar

It is indeed my immense pleasure to show my heartfelt gratitude to **Sir Ashok Kumar** for healing my sickness that is **Spinal Cord Compression (L4/L5)** after only 3 days treatment. I have been suffering from it for the last four months. I had difficulty to sit, stand and could not move freely which led my life in trouble. All such physical deformities have healed and back to normality after consultation with **Mr. Ashok Kumar** at his clinic, **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal, ☎ 9612988625.** I am so happy that I am able to live a normal life again. His treatment is incredible. My sincere gratitude goes to **Sir Ashok Kumar**.

*Sd/-* **Khomdram Ranjit Singh**

*Nambol*

*HL-P/0978/8*



SAINIK SCHOOL IMPHAL

RESULT OF ALL INDIA SAINIK SCHOOLS ENTRANCE EXAMINATION

HELD ON 15 JANUARY 2017 FOR CLASS VI AND IX FOR ACADEMIC SESSION 2017-18

1. The candidates of Manipur bearing the following Roll Numbers have been selected for interview and Medical Examination:-

For Class VI

| | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1001 | 1008 | 1010 | 1013 | 1014 | 1022 | 1024 | 1027 | 1028 | 1030 | 1031 | 1034 |
| 1036 | 1037 | 1038 | 1040 | 1041 | 1043 | 1049 | 1050 | 1054 | 1055 | 1056 | 1057 |
| 1060 | 1061 | 1064 | 1066 | 1067 | 1069 | 1071 | 1075 | 1076 | 1078 | 1085 | 1086 |
| 1088 | 1090 | 1094 | 1095 | 1097 | 1098 | 1100 | 1102 | 1105 | 1107 | 1108 | 1110 |
| 1112 | 1113 | 1117 | 1121 | 1126 | 1127 | 1131 | 1134 | 1135 | 1137 | 1140 | 1143 |
| 1146 | 1151 | 1152 | 1154 | 1156 | 1160 | 1163 | 1168 | 1169 | 1172 | 1173 | 1175 |
| 1176 | 1177 | 1180 | 1182 | 1183 | 1184 | 1194 | 1197 | 1202 | 1204 | 1205 | 1206 |
| 1208 | 1209 | 1210 | 1212 | 1213 | 1214 | 1215 | 1216 | 1224 | 1225 | 1227 | 1232 |
| 1233 | 1234 | 1237 | 1238 | 1242 | 1243 | 1257 | 1258 | 1259 | 1262 | 1264 | 1267 |
| 1268 | 1269 | 1271 | 1272 | 1273 | 1275 | 1279 | 1286 | 1289 | 1290 | 1291 | 1295 |
| 1297 | 1299 | 1301 | 1302 | 1303 | 1307 | 1317 | 1321 | 1323 | 1324 | 1325 | 1326 |
| 1332 | 1333 | 1334 | 1335 | 1338 | 1344 | 1345 | 1346 | 1347 | 1351 | 1352 | 1353 |
| 1354 | 1355 | 1356 | 1360 | 1361 | 1364 | 1366 | 1370 | 1371 | 1372 | 1375 | 1379 |
| 1380 | 1381 | 1382 | 1386 | 1387 | 1388 | 1399 | 1400 | 1402 | 1405 | 1408 | 1409 |
| 1410 | 1412 | 1414 | (Total One Hundred and Seventy One Only) | | | | | | | | |

For Class IX: 7004, 7006, 7014 (Total three only)

2. The scheduled dates of interview are as follows:-

Class VI:
20 February 2017 – For Roll Numbers 1001 to 1100
21 February 2017 – For Roll Numbers 1102 to 1209.
22 February 2017 – For Roll Numbers 1210 to 1323.
23 February 2017 – For Roll Numbers 1324 to 1414.

For Class IX, the interview date is 23 February 2017.

3. Manipur State candidates can collect interview call letters at school reception counter on 10, 11, 13 and 14 February 2017 between 10AM and 4 PM. Otherwise, the interview call letters will be dispatched by registered post on 17 Feb 16. This school will not be responsible for any postal delays.

4. Call for Interview does not confirm admission into the school. Admission of the candidates will be based on final merit list, medical fitness, verification of documents and availability of vacancies. Candidates furnishing incorrect documents / details will be withdrawn at any stage of admission / stay in the school. Medical examination will be conducted at JNIMS, Imphal from 21 to 25 February 2017.

SSI/702/Entrance
Sainik School Imphal
Dated: 07 Feb 17


Sd/-
Principal

HL-P/0338/8



ꯗꯨꯇꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ DUTTA CLINIC ꯗꯨꯇꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

ꯗꯨꯇꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)

Khoyathong Christian Literature House Building

Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3643/03/02-02/03


# HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2122

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 5 | | 7 | | 2 | | | 1 |
| | | 8 | | | | | 7 | |
| | 3 | | | 1 | | | | 2 |
| 6 | | | 8 | | | | | |
| 2 | 7 | | | | | | 8 | 4 |
| | | | | | 9 | | | 5 |
| 8 | | | | 2 | | | 4 | |
| | 4 | | | | | 1 | | |
| 5 | | | 1 | | 3 | | 2 | 8 |

Solution-2121

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 3 | 4 | 9 | 2 | 8 | 7 | 1 |
| 7 | 8 | 2 | 1 | 5 | 6 | 9 | 3 | 4 |
| 1 | 4 | 9 | 8 | 7 | 3 | 2 | 6 | 5 |
| 9 | 1 | 8 | 3 | 6 | 7 | 4 | 5 | 2 |
| 5 | 2 | 7 | 9 | 8 | 4 | 3 | 1 | 6 |
| 4 | 3 | 6 | 2 | 1 | 5 | 7 | 9 | 8 |
| 2 | 7 | 1 | 5 | 3 | 8 | 6 | 4 | 9 |
| 8 | 6 | 5 | 7 | 4 | 9 | 1 | 2 | 3 |
| 3 | 9 | 4 | 6 | 2 | 1 | 5 | 8 | 7 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9. Every row must contain the numbers from 1 through 9. Every column must contain the numbers from 1 through 9. Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9